# কুনমাথোইশুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল
# কে ভি এফ সি অমদি ভি এস ও মায় পাকখ্রে





ইম্ফাল,মে ০৮ঃ

মণিপুর ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসননা শিনল্লগা শলাই হোল্ডিং প্রাইবেট লিমিটেদ শগোলবন্দ তেরা লৌক্রাকপম লৈকাইনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ৪ দগী টিম ২১ না গ্রুপ–৫ থোক্লা খ্বাইদোক্তুনা খুমন লম্পপাক তর্প গ্রাউন্দা চথ্বরকপা ২১ শুবা চেলেঞ্জ কপ ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ–দিগী মেটচশিংদা কে ভি এফ সি কোন্থৌজম অমদি ভি এস ও তেকচম মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংন্নখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৮ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা কে ভি এফ সি কোন্থৌজমনা বি দি ভি এফ এ বিষ্ণুপুরবু গোল ৪–১ দা মায়থিবা পীখি।

শান্নখিবা মেটচ অসিদা কে ভি এফ সি কোন্থৌজমনা মেটচ অসি হৌরকপদগী বি দি ভি এফ এ বিষ্ণুপুরবু লাকশিন্দুনা অঙনবা মিনটশিংদগী গোল একাউন্ট হাঙনবা হোৎনখি।

মদুগী মহৈ ফংদুনা মেটচকী মিনট ৭ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ এন ইতোচানা মেটচকী অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মায়ঙজিল থাদুনা চৎখি।

টিম অসিগী অনীশুবা গোল অদু অহানবা গোল চনল্লবা মতুং মিনট ৫ কান্নরগা মিনট ১২ দা জর্সি নম্বর ১১ সি ঐচ অনন্দনা চন্দুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহানবা হাল্ফ অসিগী মিনট ১৫ চৎপনদা কে ভি এফ সিগী জর্সি নম্বর ১৫ লমখোলেননা অহুমশুবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা গোল ৩–০দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা মিনট ৩০ দা গোল শোথরিবা বি দি ভি এফ এগী জর্সি নম্বর ৮ কাচু চুংনা গোল হন্দোক্তুনা ৩–১ দা লৈখ্রবসু মেটচ অসিগী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট ১ দা কে ভি এঐফ সিগী জর্সি নম্নবর ১৫ লমখোলেননা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা টিমগীনা ৪শুবা গোল অদু চন্দুনা মেটচ অসি গোল ৪–১ দা মায় পাকখি

৯শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ভি এস ও তেকচমনা চীং তম শঙাকফমবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি হৌরকপদগী ভি এস ও তেকচমনা অচেৎপা থাজবা অমগা লোয়ননা শান্নরক্তুনা চীং–তম শঙাকফমবু দিফেন্সতখক মথৌ তৌহনখি।

মেটচকী মিনট ১৮ চৎপদা ভি এস ওগী জর্সি নম্বর ১৬ এল ইবোচৌনা মিনট ১৮ চৎপদা অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

মিনট ২৩ চৎপদা জর্সি নম্বর ৭ এস শামসননা অনীশুবা গোল চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

ভি এস ও তেকচমনা অহানবা হাল্ফতা হৈথোইবা শিংথৈাইবা মতৌদা শান্নখ্রবা মতুংদা অনীশুবা হাল্ফতা লাকশিন্দুনা অমুক শান্নরক্তুনা অহেনবা গোল অহুম মখাতানা হাপচিনখি।

গোলশিং অদু এল ইবোচৌনা মিনট ৩১,এস শামসননা মিনট ৩৪ অমদি এল প্রেমচান্দনা মেটচকী অপীবা মিনট লোয়দুনা অহাপ্পা মিনট অমদা চন্দুনা পুন্না ভি এস ওনা গোল ৫ চনল্লগা মেটচ অসি মায় পাকখি।।

হয়েংগী অহানবা মেটচ ওইনা এফ ভি দব্লিউ এ অমদি এ ভি এফ এনা নুংথিল পুং ২.৩০ তবদা অদুগা ভি এফ সি (বি) অমদি পুপু গা নুংথিল পুং ৪ তাবদা অনীশুবা মেটচ ওইনা শান্নগনি।

# অহানবা সব জুনিয়র গার্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল
# দব্লিউ এফ এ অমদি ৱাই দব্লিউ সি (এল) মায় পাকখ্রে



ইম্ফাল,মে,০৮ঃ

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিয়েসনা শীন্দুনা এস বি এস,ট্রষ্ট শিংজমৈনা স্পোন্সর তৌরগা থা অসিগী ২দগী ইম্ফালগী মপাল কাংজেবুংদা টিম ৯না গ্রুপ–২ থোক্লা খায়দোক্তুনা চথ্বরক্লিবা অহানবা সাপম তোম্বী সিংহ মেমোরিয়েল সব–জুনিয়র গার্লস ইন্টর ক্লব ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা দব্লিউ এফ এ ককচিং অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল মায় পাক্তুনা ফুল পোইন্ট ফংন্নখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১১ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা দব্লিউ এফ এ ককচিংনা এ এম এম এ এফ সিবু য়াম লাকচনা গোল ৫–১ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা দব্লিউ এফ এগী গোলশিং অদু য়ু লক্সমি,এম অম্বীকা অমদি কে ঐচ ভুমিকানা গোল অহুম চনখি। অদুগা এ এম এম এ এফ সিগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু পি ঐচ অবেম্মনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা ১১ শুবা মেটচ অসিগী হেক হৌরকপা মিনট ৫ চৎপদা দব্লিউ এফ এ ককচিংগী জর্সি নম্বর ৭ য়ু লক্সমিনা অহানবা গোল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোথরিবা এ এম এম এ এফ সিনা গোল হন্দোক্লবা হোৎনদুনা শান্নরকপগী হোৎনজমন ফংদুনা মেটচকী মিনট ২১ চৎপদা জর্সি নম্বর ১০ পি ঐচ অবেম্মনা গোল হন্দোক্তুনা ১–১ দা মান্ননা লৈখি।

অদুবু দব্লিউ এফ এনা হাল্ফ মমাঙদা অহেনবা গোল হাপচিন্নবা হোৎনদুনা মিনট ৩২ চৎপদা জর্সি নম্বর ১১ এম অম্বীকা দেবীনা মহাক্কী টিমগী অনীশুবা গোল অদু চন্দুনা হাল্ফ লোয়বা ফাওবা ২–১ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা দব্লিউ এফ এ ককচিংনা এ এম এম এ এফ সিবু হেন্না লাকশিন্না শান্দুনা দিফেন্সতখক মথৌ তৌহনখি।

দব্লিউ এফ এগী অনীশুবা হাল্ফতা চনখিবা গোল অহুম অদু জর্সি নম্বর ১০ কে ঐচ ভুম্মীকা দেবীনা মিনট ৪৮,৫০ অমদি ৬২ দা চন্দুনা ককচিংনা পুন্না গোল ৫ চল্লগা মেটচ অসি মায় পাকখি।

মেটচ অসি এন জি অনন্দদা,ৱাই শমরজিৎ,য়ুম্নাম বিদিয়াপটি অমদি এল রোজিটনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিটেন্ট রেফরি ১,এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

১২ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা পি এল এল চুড়চান্দপুরবু য়াম লাকচনা গোল ৭–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসিদা মায় পাক্লবা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা গোল ৪ অদুগা অনীশুবা হাল্ফতা গোল ৩ চনখি। গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৯ কিমটে লানজেলনা মিনট ৩৩,৩৪,৬১,৬২ দা গোল ৪ অদুগা অতোপ্পা গোল ৩ অদুনা জর্সি নম্বর ১৪ হোইনৈহদনা মিনট ১৫,জর্সি নম্বর ১০ থোইবীসনানা মিনট ৩৫ অমদি জর্সি নম্বর ২০ এল ববিনানা মিনট ৭০ দা চনখি।

মেটচ অসি এস লিতনবলা,এল রোসিনি,ৱাই হেমন্তা অমদি টি প্রেমজিৎনা মথংশিংনা সেন্টর রেফরি,এষ্টিটেন্ট রেফরি ১,এষ্টিটেন্ট রেফরি ২ অমদি ফোর ওফিসিয়েল ওইনা কন্দক তৌখি।

হয়েংগী অহানবা মেটচতা আই সি এস এ অমদি ক্রিপসানা নুংথিল পুং ১.৪৫দা অদুগ অনীশুবা মেটচ ওইনা এস এস সি অমদি থাউনা নুংথিল পুং ৩.১৫ দা শান্নরগনি।

# সেকেন্দ দিভিজন আই লীগতা
# ট্রাউনা টেবলগী মকোক্তা লৈখ্রে

ইম্ফাল,মে ০৮ঃ

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসননা শিন্দুনা চথ্বরকপা হিরো সেকেন্দ দিবিজন লীগ ২০১৮–১৯গী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল রাউন্দগী ৫ শুবা মেটচ ওইনা বেঙ্গোলোর ফুটবোল ষ্টিদিয়মদা শান্নখিবদা ট্রাউ এফ সিগী অনীশুবা এৱে মেটচ ওইনা ট্রাউনা য়ুম্বু ওজোন এফ সি বেঙ্গালুরুবু গোল ২–০ দা মায়থিবা পীখি।

মেটচ অসি মায় পাকখিবসিনা ট্রাউ এফ সিনা চথ্বরিবা লীগ অসিদা মেটচ ৩ শান্নখিবদা অহুমক মায় পাকল্লগা পোইন্ট ৯ ফংল্লগা ফাইনেল রাউন্দ অসিগী টেবলগী মকোক্তা লেংদনা লৈরি।

অদুগা অনীশুবা পোজিসনদা ওজোন এফ সিনা পোইন্ট ৩ ফংদুনা লৈরি।

মায় পাক্লবা ট্রাউগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৬ য়ামি লোংবনা অহানবা হাল্ফকী মিনট ৮ অমদি ১২ চৎপদা চনখিবনি।

ট্রাউগী ৪শুবা মেটচ ওইনা থা অসিগী ১২ দা টি আর সি গ্রাউন্দা লোন ষ্টার কাস্মিরগা অহুমশুবা এৱে মেটচ ওইনা শান্নগনি।

নীংশিংবা য়াই মদুদি ট্রাউগী অহানবা মেটচতা চিঙা বেঙ মিজোরাম্বু গোল ৩–১ দা অদুগা অনীশুবা মেটচতনা লোন ষ্টার কাস্মিরবু ৪–১ দা মায়থিবা

# এল নোংথোন নীংশিং ফুটবোল
# ৭–ষ্টার হৈরোক মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মে ০৮ঃ

এন এল জি নোংপোক লৌরেম্বমনা শিন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী টিম ১৬ না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা এন জি এলগী গ্রাউন্দা চথ্বরকপা ৪শুবা লাইময়ুম নোংথোন সিংহ নীংশিং মেমোরিয়েল ৭ এ সাইদ কেস প্রাইজ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৭– ষ্টার অমদি দব্লিউ পি সি অঙথা মায় পাকখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৬ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৩ তাবদা শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ৭–ষ্টারনা মাইচোন এফ সিবু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৭– ষ্টারগী গোলশিং অদু টুনেশ্বরনা মিনট ৮,টাতুনা মিনট ১৪,রোবিসননা মিনট ২৫,নাওপনা মিনট ৩১ অমদি ননাওনা মিনট ৩৫ দা চনখি।

৭শুবা মেটচ ওইনা ঙসি নুংথিল পুং ৪ তাবদা শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা দব্লিউ পি সি অঙথানা য়ুঠ স্পোর্টি ক্লবপু গোল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।

মায় পাক্লবা ৱাই পি সি অঙথাগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ রোক্কিনা মিনট ১৮,৩০ দা গোল ২,জর্সি নম্বর ১৮ সুধিরনা অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৪৬,৪৮ দা অমদি নোংঙানবানা মিনট ৩৬ দা চনখি।

# সব জুনিয়র ফুটশাল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল,মে ০৮ঃ

লাইফম খুনৌ য়ুঠ দির্ভলপমেন্ট এসোসিয়েসন (এল কে ৱাই দি এ),লাইফম খুনৌনা শীন্দুনা থা অসিগী ৫ দগী মিট্রোং লমপাক,লৈফম খুনৌদা টিম ১৪না গ্রুপ–৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা অহানবা এল কে ৱাই সি এ সব–জুনিয়র অন্দর ৪০ কেজি ৬শুবা এ সাইদ (ফুটশাল) ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ ঙসি শান্নখিবা ৱাই দি সি পোৎশংবমনা এল মে ৱাই সিবু গোল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। ৱাই দি সিগী গোল অদু লোঙজম বোরিসনা চনখি।

অনীশুবা মেটচতনা কে ৱাই এফ এ থাংমৈবন্দনা এন ৱাই কেবু গোল ৯–০ দা মায়থিবা পীখি। গোলশিং অদু য়াইফথোইনা গোল ৭ অদুগা অরলিসনা গোল ২ চনখি।

ঙসিগী অহুমশুবা মেটচতা ওল এফ সি উরিপোকনা আর কে সি খুয়াথোংবু গোল ৩–০ দা মায়থিবা পীখি। মায় পাক্লবা ওল এফ সিগী গোল অহুম অদু টি ঐচ লোরেঞ্জনা চনখি।

মরিশুবা মেটচতনা ৱাই দি সিনা গোল্ডন এফ সিবু গোল ২–১ দা মায়থিবা পীখি। ৱাই দি সিগী গোলশিং অদু এন বোরিস অমদি হেন্নরিনা চনখি।

ঙসি শান্নখিবা রোইবা মেটচতনা এল কে ৱাই দি এনা কে এ এস দব্লিউ সিবু য়াম লাকচন্না গোল ১১–০ দা মায়থিবা পীখি।

# মাপলশুবা ৱাই কেশো সিংহ মেমোরিয়েল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯

জিরিবাম,মে ০৮ঃ

থা অসিগী তাং ৬ তগী হৌদুনা ওল মণিপুর ভোল্লিবোল এসোসিয়েসন (এ এম ভি এ)গী মখাদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টগী ববুপরাদা লৈবা জিরিবাম হয়ার সেকেন্দারি স্কুল (জে ঐচ এস এস)গী গ্রাউন্দা টিম ৯ না শরুক য়াদুনা চথ্বরক্লিবা ৯শুবা ৱাই কেশো সিংহ মেমোরিয়েল ভোল্লিবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা এন ৱাই সি টিম অমদি টাতবুং ৱাই সি টিম মায় পাকখ্রে।



ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এন ৱাই সি টিমগী মায়োক্তা ইচেল ক্লব দিবোং টিম অনীনা শান্নখিবাদা এন ৱাই সি টিমনা ইচেল ক্লব দিবোংবু সেট ৩–২ (২৩–২৫,১৯–২৫,২৫–১৬,২৫–১৬,২৫–১৩) দা মায়থিবা পীখি।

অনীশুবা মেটচতা টাতবুং ৱাই সিনা বি বি সি টিমবু সেট ৩–০ (২৫–২০,২৫–২২,২৫–১০) দা মায়থিবা পীখি।


ꯃꯅꯤꯄꯨꯔ ꯀ꯭ꯌꯥꯕ ꯁꯔꯚꯤꯁꯦꯁ



অদোমবু মফম অমদগী মফম অমদা নুঙাইনা,
লাইনা অমদি অতেনবা মতমদা য়ৌহনবা ঙম্বা
Manipur Cab Services
হৌজিক মনিপুরগী মীয়ামদা খুদোংচাবা পিবা হৌজরে...
খুদোংচাবা অসি লৌবীনবা Telephone গী খুৎথাংদা মখাদা পীজরিবা number অসিদা call তৌবিয়ু নত্ত্রগা অদোমগী Smartphone দা ঐখোয়গী Android app "Manipur Cab" playstore দগী download তৌবিরগা অদোমগী অপাম্বা গাড়ী তোংদুনা চৎপিয়ু
Toll Free Number
1800-345-3838
GET IT ON Google Play
₹ 15 per Km. Normal
₹ 25 per Km. Standard
অদোমবু তেক্তা কায়দনা অমদি মতম চানা য়ৌহনবনা ঐখোয়গী পান্দমনি
Manipur Cab Services
2nd Floor, MDU Building, M.G. Avenue, Imphal
Powered by: Imphal Finance Co-operative Thrift & Credit Society Ltd.
SL / 1200 / 30days


# ১৪৩ বি এন সি আর পি এফনা
# ওভর ওল টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে

ইম্ফাল,মে ০৮ঃ

আই জি পি মণিপুর অমদি নগালেন্দ সেক্টর সি আর পি এফকী মীৎয়েং মখাদা ৬৯ শুবা বি এন সি আর পি এফনা খুমন লম্পাক মেন ষ্টিদিয়মদা চথ্বরকপা ইন্টর জি সি (এ দি এম) / বি এন (ওর্প) জুদো টুর্নামেন্ট ২০১৯ ফোর সি আর পি এফ পার্সনেলগী ওভর ওল টিম চেম্পিয়নগী ১৪৩ শুবা বি এন সি আর পি এফনা গোল্ড মেদল ৬ অমদি সিলভর মেদল ৪ পুন্না মেদল ১০ ফংদুনা তাখ্রে। অদুগা ৮৬ শুবা বি এন সি আর পি এফনা রন্নস অপ তাখ্রে।

পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম মাপলনা তোঙান–তোঙানবা জদোগী ৱেদ কেটাগোরি ৮ দা অদুগা জিমনাষ্টিকনা কেটাগোরি ৬ তা অথোই অহেন তান্নখি।

জিম্নাষ্টিককী কম্পিটিসনদা ৮৬ শুবা বি এন সি আর পি এফনা পোইন্ট ৩৬১.৩৫ ফংদুনা টিম চেম্পিয়ন অদুগা ১৪৩ শুবা বি এন সি আর পি এফনা পোইন্ট ৩৬০.৯০ দা রন্নস অপ তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি লোয়শিনবগী থৌরমদা ১৪৩ শুবা বি এন লালচান্দ য়াদবনা অথোইবা মীথুংলেন ওইদুনা শরুক য়াদুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনা মথুম য়েন্থোকখি।

# মঙাশুবা বি এস ও ট্রোফি২০১৯
# ৱলীদা ৱাংঙ্গোই মায় পাকখ্রে

ইম্ফাল,মে ০৮ঃ

খোংজোম সার্কল ভেটরান স্পোর্টস ওর্গনাইজেসননা শিন্দুনা থা অসিগী ১দগী তেকচম হয়ার সেকেন্দরি গ্রাউন্দা টিম ২২ না গ্রুপ–৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা চথ্বরকপা ৫শুবা বি এস ও ট্রোফি ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা ৱলীদা ৱাবগাই মায় পাকখ্রে অতোপ্পা মেটচ অমদনা শমফাবি এফ সি অমদি ৭–ষ্টার হৈরোক দ্রো চৎত্তুনা পোইন্ট য়েন্নখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা গ্রাউন্দা ৱলীদা ৱাবগাইনা ৱান্টেদ বোইজ শঙ্গাই য়ুমফম্বু য়াম লাকচন্না গোল ৮–০ দা মায়থিবা পীখি।

চথ্বরিবা টুনামেন্ট অসিগী ১৫ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা গ্রাউন্দা শমফাবী এফ সি শাপম অমদি ৭–ষ্টার হৈরোক গোল ২–২ দা দ্রো চৎখ্রে।

শমফাবী এফ সি শাপমগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১৩ পিকান্তানা মিনট ২৩ অমদি জর্সি নম্বর ৫ কমান্দোনা মিনট ৩৮ দা চনখি।

৭–ষ্টার হৈরোককী গোলশিং অদুনা অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১১ শিল্টননা মিনট ৩৩ অমদি ৩৬ দা চনখি।


ꯑꯄꯣꯂꯣ ꯇ꯭ꯌꯨꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ ꯁꯦꯟꯇꯔ
APOLLO TUTORIAL CENTRE
Admission Open For

| Foundation Course | Apollo - NEET (UG) |
|---|---|
| XI Sc. & XII Sc. (CBSE & COHSEM) Phy, Chem, Bio, Maths, Eng, C.Sc. Home Sc. | Medical Course Offers! lots of Facilities |

| Form Issue | Class Start | Class Timing | Form Issue | Class Start | Class Timing |
|---|---|---|---|---|---|
| 05/05/2019 | 06/06/2019 | 4:30 pm-7:30 pm | 2nd Week of May | 1st Week of July | 11am- 3pm |

Hostel Fee- Rs 4000/- only (Boys & Girls)
Faculties from reputed Hr. Sec. Schools & Colleges 8258013846
Facilities : Free Text Book sets
Special Concession : Meritorious/SC/ST/Govt. School student/MOBC
Pliz contact : APOLLO Office, Kwakeithel Bazar Near AMUCO Office, Imphal


# ইন্টর কোলেজ থাঙ–তা টুর্নামেন্টদা ময়াই লম্বী কোলেজনা
# নুপাগী অদুগা মোর্দন কোলেজনা নুপীগী টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে

ইম্ফাল,মে ০৬ঃ

মণিপুর য়ুনিভর্সিটি স্পোর্টস কম্মিটিগী মীৎয়েং মখাদা প্রভাবটি কোলেজ ময়াং ইম্ফালনা শিন্দুনা ঙসি প্রভাববটি কোলেজগী ইন্দোর ষ্টিদিয়মদা পাঙথোকখিবা রাজকুমার সনাহল সিংহ নীংশিং মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ইন্টর কোলেজ থাং–তা (মেন এন্দ ৱুমেন ) টুর্নামেন্ট ২০১৮–১৯দা ময়াই লম্বী কোলেজ য়ুম্নাম হুইদ্রোমনা নুপাগী অদুগা মোর্দন কোলেজ পোরোমপাৎনা নুপীগী টিম চেম্পিয়ন তাখ্রে।

টিম ৮ দগী লাকপা নুপা –নুপী পুন্না শান্নরোই ৩৪ না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ময়াই লম্বী কোলেজনা গোল্ড মেদল ৪, ব্রোঞ্জ মেদল ২ পুন্না মেদল ৬ ফংদুনা নুপাগী টিম চেম্পিয়ন অদুগা বিরঙ্গোল কোলেজ শগুমবুংনা গোল্ড মেদল ২,সিলভর মেদল ১ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ১ ফংদুনা পুন্না মেদল ৪ ফংদুনা টিম রন্নস অপ তাখি।



নুপীগীদনা মোর্দন কোলেজনা টিম চেম্পিয়ন,বিরঙ্গোল কোলেজনা টিম রন্নস অপ অদুগা বিরঙ্গোল কোলেজগী এল পুস্পানা নুপীগী বেষ্ট ফাইটর তাখি।

টুর্নামেন্ট অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এষ্টিটেন্ট ডাইরেক্টর ওফ স্পোর্টস ডা.সি ঐচ প্রদিপ সিংহ,প্রভাবটি কোলেজ গর্ভনিং বোদিগী চিয়ার পর্সন সি ঐচ পিশক মচা দেবী, প্রভাবটি কোলেজ গর্ভনিং বোদিগী সেক্রেটরি এন ইবোতোন, প্রভাবটি কোলেজ গর্ভনিং বোদিগী মেম্বর সি ঐচ গুনো সিংহ,পি বি সি টিচর এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট এন কুল্লাবিধু, পি বি সি টিচর এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরি টি ঐচ বিনোইকুমার অমদি প্রভাবটি কোলেজ ময়াং ইম্ফালগী প্রিন্সিপল এ সুনিল সিংনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওন্নর অমদি প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, *e-mail : sanaleibak.ads@gmail.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com*